Sunday, September 22, 2019, Imphal

HUEIYEN LANPAO



"তাইবঙপান অসিদা ঐখোয় কনাসু ফিজেৎ অমা পুদুনা লাকপা নত্তে, পাই অমা য়াদ উমদুনা খোঙদারক্তে।"
- হিজম গুণ (ঐখোয়' তাদ)

# শৈরেং

## লাংবন থা
—বি মঙাং

লাংবন থাগী অনীশুবা থাখায়
নীংশিংলুবদা অমুক নৌহৌনা
লৈখিদ্রবা ইপা ইপুশিং
থাবুম তম্খায় ঈরাৎ থা
হৈরাং লৈরাং কয়া
অনৌ অপেন পুরগা
নিংঙোলশিংনা মপাম মায়কৈ
পাংবা লাংবন থা!
য়ূমগী ইপা ইপুশিংগী
তরা চিন্দস্বগী থৌরম
তরা লুকলেন কৎন থা
মৈতৈশিংগী য়ূমথোং খুদিং
ইপা ইপুশিংগী কাঙলোন
পোরম কায়দনা চৎপা থা
ইপা ইপুশিংগী থৱায় মীরেলনা
অরাম খৌরাং কোক্লবা
হৈকৎ লৈকৎ তম্বা থা
ঐখোয়গী থাজনবী অমনা
য়ূমগী উশাদা তোংবা
লমখুনুগী কুকু খোঞ্জেলনা
লৈখিদ্রবগী থৱায়না অমুক
মশাইকোন্দা লাকপনি লৌনৈ
মরৈপাক্কী থৱায় কৎখ্রবা
অথৌবা অথৌবী থৱায়শিংগী নফমদা
কৎচরিবা হৈরাং লৈরাং
অনৌ অপেন খুদিংমক
লৎনবা লৈতনা লৌশিনবীয়ু।

## লাংবন হৈশোই
—এন কে সিং

কাউখ্রব্রা ইপাগী ইবুংঙো
থাবুম কয়া হৌখরে
কুমজা কয়া ওনখরে
উখিদবা ইচাগী শক্তম।
কাউখ্রব্রা ঐবু নঙনা?
ঙমগনি খন্দুনা চৎখিবা
উন্নরব্রা নঙগী নবোক?
ৱারী শিংবুম কয়া
ফুঙ্গা ৱারী কয়ানা
শুমহৎলব্রা ইচাবু মফমদুদা।
কাউরব্রা নঙনা ঐবু?
চহী অসিনা লাকপদা
লোইনরক্লে লাংবন থা।
ননেশিংনা ইচাগীদমক্তনি হায়দুনা
হৈরাং মখল কয়া
লৈরাং মখল কয়া
য়েন্দাই থন্না হাপ্তুনা
পুরক্লে ইচাগী নরানয়াইদা।
ঙসি ইপানা গঙ্গাদা
পূক্লিং অনী লোংদনা
খুকউ লৈবাক তাদুনা
গঙ্গা ইমাবু কৌথদুনা
ঈশিং খুজোক অহুমগা
ধুপ থাউমৈ থাদুনা
কৎখিবা তর্পন অসিনা
পেনবা ওইয়ুকো ইচানা।
লোইদাম থাজা কুইখরে
কুমজা কয়া ওনখরে
হল্লকও ইপাগী ইবুংঙো।
তাইবঙ কুম্মৈ য়াওরখো
ঙাইহরি নমান্নবা কয়ানা
নহাক লাকপা মফমসিদা।
কাউরব্রা অদুঙৈ মফমসিদা
মরুপ মপিজা কয়াগা
শান্নখিবা হরাও মথোই কানা।
হল্লকও ইপাগী ইবুংঙো
ঙাইহরি নমান্নবা কয়ানা।

## হল্লকখিদ্রবা পাউখুম
—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

কয়ারক হন্ননো
ঐনা ঙাইজরকখিবা
পাউখুম ফংখিদ্রবা
ঐগী ৱাহংশিংদুগী।
থেংনখিদ্রে কুমজা কয়া
উনখিদ্রবসু ঐ, মা
ঙসিসু হংলি
পাউখুম ফংখিদ্রবা
ৱাহংশিং অদো।
ৱাহংদি হংলি ঙসিসু
হঞ্জিন হঞ্জিন
ঐগী ইফমদা
তূম্বা, চাবা
চংদবা মখৈ
পাউখুম অদু ঙাইবদা।

## ইথিলদুদা
—এম নিলাকুমারি

ইথিলদুদা ঙাওজবনি
মতম মতমগী
হুন্নক্লিবা।
তাওথরক্লি নামিবা নুংশিৎকী ইপোমদা
চৎলুসি-য়াওরুসি-ফল্লুসি
য়াওনীংই চৎনীংই য়েংনীংই।
শৈদিন্নফম্লি কলপনাগী
ফোঙদোক্লফম্লি অরোৎপা কয়াগী
শৈরেংলিবা কয়াগী পোথাফমনি।
খোঙথাং চান্মা চান্মা থাংহনগনি
শৈরেংনা পুন্সিবু পিখন্নদ্রিফাও
শৈদিন্নফম্না মাঙখ্রবদা

য়েনীং থাসু মাঙখ্রনি-গুলাপকী চরোংসু খুইরনি
থম্বালগী লকাসু হিকথরগনি।
ৱাকচিংগী উলেনসু তাররোই
কালেনগী মৈশাসু মৈৱাইররোই
থেক্কোই নাকোইনবা ঈচেলগী ঈরৈসু
কাউশিংগী মপু ওইখ্র'নি।
শৈরেংগী শুরদা শৈদিন্নবা
মশেক মঙাল ঙাল্লক্কনি
পূন্নমক কলপনাগী শৈহেকনি শৈদিন্নফম
চান্মা চান্মা মাঙখ্রবসু
লিশীং লিশীং উনসিকো
পাউখোল্লোয়নি, থম্মোয়গী ইথিলনি
ইথিলদুদা ঙাওজবনি।

## মীওইবা অমসুং পুন্সি
—তাইয়ীব খান

পুন্সি হায়বসিবু করিনো,
পোৎলুম থাঙ্গৎপশিংবু নত্তরা?
হিংবগী শীন্থানা করম্বনো,
লমথুংফম থিরুবনা ওইদবরা?

অৱাবনা হংলি পুন্সিদা,
নুংঙাইবা হায়বদুবু লৈবজাৎলা?
নুংঙাইবনা খুল্লি অৱাবদা,
পন্থুং য়ৌবদি লোইরবরা?

নত্তে ওন্নরে ৱাখলদো,
অৱাবা-নুংঙাইবা অনীদি মরুপনি।
শীন্থা পাঙলম্বনা ইথৌনি,
পন্থুং য়ৌরুবনা নোংদমনি।

মীওইবা ওইনা পোক্লকপা,
ইথৌ খঙবনা মরুনি।
তাইবঙ ফম্বাক্তা হিংলম্বা,
হোৎনবা লেপ্তুবনা ইশিন্নি।

নুমিৎ-থা-থৱানসু লেপ্তুরি মখোঙচৎ,
তাইবঙ-মীরোলসু তত্তরি পুৱারী।
মীওইবগী শূব-নোম্বা কনবখক্তনা,
মায়পাকপা ওইহৌরি মতমগী খোঙজেলদা।

## লৈরোন্নুংদা বেবিসনা
—পুয়াম অচৌ খুমনচা

থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পোলাংনা
অহিংবগী তাইবঙলোক অসিদা করম্না
কয়াম কুইনা লৈগনি! লৈগনি! লৈগনি!
লৈরাং শিঙ্গারৈগী মতৌগুম কেনজখি
জুলাই ১৮, ২০১৯ শগোলশেল, ইঙাগী ১৬নি পানবা
অম্মম থোঙদা থোঙ লাওনা
হাংদুনা অশি লৈবাক য়ৌজখি।
কংলৈ ইমাগী মমোল্লোই বেবিসনা
নঙনা চৎখ্রবদা কাইহৌরে থম্মোয়
ঙসিদি নঙবু নারোই ননাও
অহল লমন পূন্নমক্লা নঙগী
অমল্লোক লৈরোন্নুংগী লম্বীদুদা থিঞ্জরি
মীকপ মীরাওখোলগা লোয়ননা।
চৎলো বেবিসনা হরাওরৌ তাঞ্জম,
চীংমাই লাইনিংথৌ তোলোংখোম্বগী
মশাইগোনদা ইঙেনগী ২৯নি পানবা য়ূমশকৈশা
ঈংনা চিক্লা লৈজরুরো।
নঙগী হকচাংগী লৈশানা ঙসিগী
তুংলমচৎ অসিদা পাড়া ওইহৌরসনু।
লায়রবা তোল্ল-তারবা কয়াগীসু
পারি ইমোম ৱাৎতে হায়না।
ঙসিগী মীরোলনা নঙগী মীংলেন
কোল্লোই বেবিসনা নঙবুদি কাউঙল্লোই।

## শেন্দোয় পান্থ্রা হায়ববু
—রাজেন্দ্র সারুংবা

শেল খরা লৈ হায়দুনা, ফদ্রা খন
শেল্লেপ খরা থাদরুরে
ঙল্লিঙৈগী মতমদা কান্নরম্মী
শেন্দোই খরা খরা ফংলম্মী
চাংসু নাইনা ফংলম্মী
নুংঙাইরম্মী মতম খরা
থাগী পোইলা তারিখ লাকপা খুদিং
মোমোন মীনোকনি ঐহাক্কী
অদো কুইবা য়াদে নুংঙাইবা
মী হায়বসে তৌবা ঙম্বা ঙাকনি
মথোই পীগদবা নুমিৎতা
ময়ূম চৎলুই কান্নদে
মশাফাও লৈরমদে, ফোনসু পায়রক্তে
লৈকায়দা থিরুই হংই খঙদে ঙাক
ঙরাং ঙসি হৌখরে নুমিৎ শিংবুম য়াল্লক্লে
মশা থিবা খঙদরে কৈদবু লৈখ্রবা
শেন্দোই পান্থা ঐহাকসে মথাবুদি শারেদা
কোক্তা খূৎ হাপলেদো
করি নুংগীনো খল্লক্লে
থৌবা চৎপা খুদিং খৎনবা লাক্কুম থোকখরে
মরুপ-মপাং কায়নরে ইমুং-মনুং খায়নরে
খল্লক্লে হৌজিক্তি অনীমক অমত্তা পামদরে
শেন্দোয়সু কোল্লগে শেলেপসু কোল্লগে
ঈংনা চিক্লা লৈজরগে
ওং শান্তি ওং শান্তি ওং শান্তি।

## মতমগী য়াওল
—ডা. শশীকুমার

নিংথিনা চংখোল্লবী মতমসিগী
মালেমগী শকহেনবী তাখিবী
শকহেনবীনি ফাওখিবী মালেমগী
ঙসিদি হকচাংদা ফি থোংদ্রিবী
য়েংবীনবা য়াওদবদগী মহাম ওন্থোক্লে
মীয়াম য়াওদনা চাংদম্নবা ঙম্বরা?
মীয়াম্না মতমগী মমলনি
মতমসিদা মীয়ামগী মমল ৱাংদরা
মীয়াম্না মাঙহল্লি, মীয়াম্না শেমগৎলি
মমলসি কনানা লেপকনি
চংখোনবী ফজবী শকহেনবী
মীয়াম্না হেনবরা শকহেনবীনা হেনবরা?

# অৱাংবদা শান্তি

## (Peace on high)

- রোমুলো গাল্লেগোস

মী তাদবা চীংলক অদুদা অঙম্বা চীংমায় অমগী হেক ময়াদা, য়েৎশিল্লিবা উরী-ৱারী, নারক মোংশোং মরক্তুদা মন্থরবা শঙ মচা অমা লেপ্লি। শঙদুগী কূপ্লিবা ইগী য়ূমথক ফাওনা মৈখু কারক্তবা ফনা মকুইখ্রে। অদুবু অঙাং অমদি থোঙজিন্দা ফমদুনা লৈরি।

অঙাংদুমক্তি য়েংবদা অকিবগী মশকনি, অৱাবনি। মকোক চাউই, মঙক্লা পিকক্র, মশম্না চরা চরা, মদুসু মরৈ মরৈ তারবা, মশাসু ফুৱাউ, মবুক কংই, মপাম্বোম্না শরূ, মখোঙ-মখূৎনা ফুরিমক্তা, মখুউ অমদি মফৈগন দুনা মেলেরিয়া নারুবগী কুরোল হুরে। মাগী মায়থোঙদু শরূদা উনশানা কূপ্পনি, মচিনবান্দু ময়াশিংদু কূপ্পা থুংদে। মমিৎ অদুনা ঙৌগদবা শরুক্তু নাপু কারে, মিৎফমদু কুশিৎ কুৎখ্রে। য়েংবদা, হায়দোক্তবা, অঙকপা চৈনা অমসু পুবা মাল্লি, ৱাউরবা মমিৎ নহাশিংদু য়েংবদা খঙই।

মহাক তুমিন্না, লেঙদনা লৈরি, য়েংথরদুনা মখাদা শন্দোকখ্রিবা চীং মচা মচা ময়ামগী পরেংশিংদু। মদুনা আ মখাদা তম্পাক্লা শম্নখ্রি অদুদগী অমুক ঙমখৎখ্রগা লাপ্লা অমুক ৱাংখৎখ্রি চীংজাউ ওইনা, লৈচিন পক্লা নোংমদোনগা তাইনখ্রি। মাগী অপিকপা থমোয়দু খম থেংনা অৱাবা অমনা কুপ্পগুম তৌরি, অদুনা মাগী অকোয়বদা লৈরিবা পূম্বা, লেঙলি-পাল্লিবা পূম্বা তুক্কচরকপগুম তৌরি। মাগী পুঙমদবা ৱাখলনা মখনাউ ফুল্লে, ও খোংনা কপ্লিংলে, অদুবু মমিৎতদি মপি লিক্লা অমা তাহন্দে। করিগুম্বা মাগী অশাউবদুনা মথবাক্তা মৈ হৌনা শারক্লগানা মহাক মখূৎ খূত্তুম তাশিল্লক্কনি, ময়াদু ক্রক ক্রক চিক্লক্কনি, অদুগা মানা লাম্বা ফংবা পোৎ খুদিং লংখাইরক্কনি, শেগায়রক্কনি, অদুগা মাগী থমোয়গী অশাউবা অদুনা ঈংথরক্লবা মতমদনা মহাক উতুপ তাবগুম তাদুনা লৈখিনি।

করিগুম্বদনা নুমিৎচুপ্পা অমা ৱাখলদা উংদুনা অদুম লৈগনি, ৱা ঙাঙলোই, থোঙজিন্দা তুমিন্না ফমদুনা লৈনি নৎত্রগা অকনবা লৈমায়দা হিপথনি, মমিৎনা করিগুম্বা অমদা মাঙদা উরিবা পোৎশক অমদা মমিৎ কূপ্তুনা য়েংদুনা লৈখিনি। অসুম্না মথ্বায় পিকথরকপা মতমসিদদি মাগী ৱাখলসি, অনা-লোয়রবা মশাদু চমম্নরক্কনি, মহাক মশাসি কনানো হায়বদুফাও কাউথোকচরক্কনি।

অহানবদা মাগী খোঙয়াদা কৈনো অমনা কক থিল্লকপদৌনা ফাওরক্কনি, অদুদগী মশা পূম্বদু চৈনাদুনা শন্দোকখিনি, পূমঙাও ঙাওগনি, মশামক শিখ্রবদৌনা লৈগনি। অদুদগীদি অমুক মাগী নুংদা অকিবা ফংলবা ৱাখল অমনা অমুক ওৎলক্কনি, মাগী চাকখাউদু সুম চাউথোল্লকপদৌনা তৌরক্কনি, অহিং-অহিং চীংশিংসি চাউথোকই হায়নবদৌনা, চাকখাউগী অৱাবদুনা মহাকপু তূমহল্লোই। অদুবু মাগী শারৈ হৌবগুম্বদু লোইরকপদদি, মহাক্কী কোক্তু করি অমতা য়াওদ্রবগুম ইহাঙ হাঙলক্কনি, হারৌ লীশিংনা খোংগুম নিল্লক্কনি, মমিৎতনা তন্দন মপৈ অমা পাইবগুম উরক্কনি। অদুদগীদি, পূমলোই লোইরকপদদি, পূন্নমক ঈচিক হুনবগুম, লোইবা খন্বা লৈত্রবা অচিকপা অমদা তাউদুনা লৈখিনি।

অদুম্না লৈরক্লবা, পূন্নমক অদুগী মরক্তা, মাগী কাউগে ঙমদ্রবা নুপা অমগী শক্তম্না মাগী মিৎমাঙদা লেপ্পরনি। মহাক অদু কোয়লাগী খনিদা থবক তৌবা নুপানি। নুপাদুনা মাগী মমাবু কোন্দুনা তূল্লি, মানা শঙদুগী কাচিন অমদা ঈংবনা থক থক নিকপখৈ তাদুনা লৈরি। মদুদগী মহাক মেলেরিয়ানা নাখিবনি।

উখ্রিবা ফীভমসি ফেলিপেনা পিল্লিঙৈ, মপা হেক শিখিবগা ইকুই কুইদননি। শক্তমশিংদু মাগী নীংশিংমমিদা অসুক্কী মতিক চুশিনখ্রে, মদুদি করিগীনো খঙদে, মানা কৈদৌঙৈদা উখ্রিবা ফীভমদুগী ৱাহন্থোক থিগে হায়নসু খল্লুদে - অদুবু মানা নুমিত্তুদগী মমাবু য়েংবা ঙমখিদ্রে, হেক য়েংলুবদা নুপাদুগা নুমিদাংদুদা কোন্নবা ফীভম অদুদা মমিত্তা উদুনা লৈখ্রে। নুপাদুগী মুখ্রবা চাউখ্রবা মপাম্বোম অদুনা মমাবু কোন্দুনা তূম্বদু অদুদা উদুনা লৈখ্রে।

নুমিত্তুদগী মমাবু তুক্কচবা হৌখ্রে, পূমখা খাখ্রে, মাগী পিক্লবা থমোয়না য়েক্তুনা লৈখ্রে। মমানসু মচানুপাদুনা তুমিন তুমিন ফল্লিবদুদগী চিংথোক্লবা, মাবু তুক্কচনা উরিবদুদগী ফনবা ফনা কন্না মহোৎনৈ, অদুবু কান্নখিদ্রে। তৌববুদি মানা থেমদুনা নৌদুনা, অঙাংদু মবুক পেৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা, চৈদুনা থাংদুনা নৎত্রগা কুরোল হুরবা মচাগী উনশাদুদা চৈরম তাখৈ ফূবিদুনা কিহনবরোমদা ওন্থখ্রে। অদুনদি চুম্না য়ানীংদবা ৱাখল অমতং চম্না লৈরম্বদু, শাথীরবা তুক্কচবা অদোমদা ওন্থখ্রে অঙাংদুগী থমোয়দা। অদুনা অঙাংদুগী থনুং মৈ হৌরে, মমাবু য়ানীংদ্রে, খূত্তুম শীংলে, মমা হেক উবদা ময়া ক্রক ক্রক চিক্লে।

অদুনা অহানবদদি মাগী অশাউবদু মমানা থেম্বীবগী মহুত্তা চৈশিং কক্তনা ফূরম্মী, অদুবু মাগী মমিৎতগী পি লিক্লা অমা তাহনবদি ঙমখিদে। মহাক্লা কোয়শিল্লবা শা অমগুম ঙংলম্মী, লৈবাক্তা থরো থরো ওল্লম্মী, অদুদগীদি অশিবা অমগুম পুং কয়া তাদুনা লৈমায়দা লৈ। অদুবু হন্দক্তি মমাদুনা অনৌবা থৌওং অমা অমুক চথ্থরক্লে। ফেলিপেবু ফূবিবগী মহুত্তা মখূৎ অনীদু পুল্লে। মদুদা শাউরদুনা ফেলিপেনা নান্থোক্লবা হোৎনবদা মতোমতা ৱাজরে, অশাউবদুনা হূগুম মশাদা চেনখৎখিবনা মতোমতা ৱান্থজরে, অদুগা তূল্লি শারি লৈখ্রে। মতমদুদা নুপীদুনা মাবু লংথোক্তুনা থমগনি, মচিন্দদি পাখৎশিন্নদুনা শোনগনি:

- "হে তাইবঙ মপু! করি থোক্লগবা!"

হন্দক্তি নুপীদু কুইনা কুইনা য়ূম থাদোক্তুনা চৎপা হৌরে। অয়াম্বা মতমদা মহাক উমংদা চঙদুনা অয়ূক্তগী শীং থিবা চৎলে, অদু নৎত্রগনা মী লৌবুক্তগী চরূ খোন্নগা অনকপা কৈথেলদা য়োল্লুরে অদুনা মহাক অয়াম্বা মতমদা মন্নগা হল্লক্লে, য়োনবদা ফংলকপা শেল খরদুনা কসাবা য়ামনা হৌবা তল খরা লৈরক্কনি, করিগুম্বদনা ঙা থুময়াকপী খরগা। মদু অয়ূক্তগী লাম্বনা খাঙবা ৱারবা ফেলিপেনা হরাওনা চাগনি, অদুবু মবুক থনবদি নৎত্রে। লাম্বগী মথক্তা মাদি অয়ূক নুংথিল মতোমতা লৈবগী অমদি নুমিদাংনা য়েংহৈ উহৈদ্রবা, চরাম্নরবা ফীভমগী মুর্তিশিং উবগী মহাক পোখাফম খঙদ্রবনি।

অদুম লৈরিঙৈদা নোংমগী নুমিত্তদি ফেলিপে মাগুম্বা মরুপ অমা ফংজরে। অয়ূক্তগীনি মানা তারক্লিবসি হূই অমনা খোংবগী মখোল উরক অদুদা। হূইদু কোয়চৎ চৎলকপনি খোঙলম্বী থি থিদুনা মীগী খোঙ্গুল নম নমদুনা মাঙখ্রবা মপু অদু থিরকপগুম। নুংথিলদদি হূইদু মাগী শঙ ময়াদা য়ৌরক্লে। ফেলিপেনা থোঙজিন্দা ফম্বদু হেক উবদা মমাঙদা লেপ্পরে, মমৈ হাইরদুনা, অদুদগীদি মাগী খোঙ ময়াদা কুল্লদুনা শ্বর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা লৈররে। মীওই লালুপ চাদ্রবা নুপা মচাদু মরুপকী মিৎয়েংদা য়েংলরে। ফেলিপেনসু কুইনা হূইদুদা য়েংই। মরুপ অমগুম মানসু হূইদু কূপ্পা য়েংশিল্লি অদুগা হরাও হরাও তৌবিরে। অদুবু মানা হূইদুবু শোক্ত্রি, ৱাহৈ অমতফাও হায়দ্রি। মানা খল্লি, হূইগী হৌনবীনি, লাক্লগা মীগী মনাক্তা কুল্লবা হায়বসি। মানা খল্লুদ্রসু হৌজিক্তি খঙঙে, হূই অদুনা অয়ূক্তগী খোংদুনা কোয়চেন চেন্দুনা থিরুরিবা মপুদু মানা ওইবা তারে। মপু থেংনরগুমখ্রে, হূইদু মাবু থাদোক্তুনা চৎত্রে।

অদুবু ঙাইহাক্কী মতুংদা ফেলিপেদা ৱাখল অমনা মাগী অচিকপদু থুগাইরক্লে, হায়ফম খঙদবা, হৌরকফম খঙদবা ৱাখল অমা ফাওরক্লে - হূইদু শকউদবা মানা মাগী ফনবা নৎত্রগা ফত্তনবা থারকপা ওইরবোই নীংলক্লে। হূইদু শকখঙদবা লম অমদগী, মানা উদবা মফম অমদগী লাইনা থাবিরকপা ওইনা লৌখ্রে। মাগী থোক্লগদবা দশা অমবু কনবীগে খন্না থাবিরকপা ওইনা উখ্রে।

অদুনা মানা তুমিন্না লৈরম্বদগী ৱা ঙাঙলে :

- "ঐদি অয়ূক্তগী তারবনি নঙনা খোংলিদু। ঐ খঙই, নঙনা থিরিদু ঐ ওইরমগনি।"

হূইদুসু ঙাওলিদু খঙদ্রসু মরুপ ওইবগী খূৎখোঙ খোংলকই। অদুবু থংনবা মিৎকুপ্তা হূইদু মনা থাঙ্গৎলি, ফিংনা চিংননা খোংবা হৌরকই। ফেলিপেসু খোঙথাং মখোল তায়, অদুনা খঙলদুনা মানা হূইদা হায়খি - "খোংগনু, লাক্লিসি ইমানি।"

মমা প্লাসিদানদি কদাইদৈনো হূই অমা লৈরম্বদুদা শাউনিংলম্মী। অদুনা মদু তান্থোকখিনবা হোৎনরম্মী। অদুবু হূই অদুনদি ফেলিপেগী মখোঙদা উরু উরু লৈশিন্দুনা খাঙলম্মী। ঙংলদুনা নুপীদুদা ময়া হিগৎতুনা কিহল্লদুনা। মদুদদি প্লাসিদাদু কিরে, তান্থোকপদু লেপ্লে। অদুবু মশাদি ৱাই চিন্না উরে।

মমাদু মানা লৈরকপা পোৎ-চৈদু থম্মে, নুমিদাং লেন্নবা খরা লৈরক্লে। অদুবু মানা পোৎ-চৈদু ফেলিপেনা লাম্বা ফংদনবা লাপ্লা থম্মী। পোৎয়োমদুদগী কসাবা য়ামনা শাবা তল অমা লৌথোক্লগা চীংমায় ময়াদা ফল্লগা চাবা হৌরম্মী।

মদু উবদা ফেলিপে লাম্বনা খাঙবা ঙমদ্রদুনা মমাগী নাক্তা চঙশিল্লম্মী। অদুবু মমানা মাবু চঙশিল্লক্তনবা, মচেৎ অমা লংথোল্লক্লম্মী। তল মচেৎতু চীংমায়দা য়ান্থদুনা য়োমশিল্লিবা মোংশোং অদুগী ময়াদা তারম্মী। ফেলিপেনা লৌখৎতুনা লৈবাক্তা ফল্লগা চাবা হৌরম্মী। হূই অদুসু মানা চাবদু উবদা মমৈ হাইরক্লম্মী। অদুনা মানা হূইদুগী শরুক খরা শেৎলগা লংশিল্লম্মী। অদুবু হূই অদুনা তলদু মনমদং নম্লগা হন্দোকখ্রে অদুগা তুক্কচবগী মওংদা লৈবাক্তা কুনখ্রে, মকোক্লা নুপী অদোমদা ওল্লদুনা।

অদুম তৌরিঙৈ, প্লাসিদাদু মচাগী মমায়দা চাগদৌগুম য়েংদুনা লৈখি। মথিবোং লাওবনা মশক্তু হেন্না থীজিল্লবোই নীংখি, তল খূৎচাদুনা। য়েংবদা হান্নদগী হেন্না অকিবা ওইরকপগুম তৌখি। অদুগী মথক্তা নুংশিদবা অমা য়াওনা য়েংবনা মাগী থমোয়দা মচাদু লমন খুম্নিংবা অমা পোক্লম্মী। শাউগনবা মচাদু, অমোৎপা ফি অমা য়ানবগুম অশিবগী খয়াত্তা য়ান্দুনা লৈরিবনি, অদুবু শিবদি শুংশি শিদ্রি। অদুনা প্লাসিদা ৱাই য়াম্না চিল্লে। মচাদু লৈবা মরম্না সহরদা মীগী য়ূম অমদা মীনাই ওইনা ওইরসু থবক অমতং তৌরুদৌদু য়াদ্রে। মচাদু পুরসু কনানা অদুক থীবা মচাদু লৌশিনবীগনি। অদুগী মথক্তা মাবু নুংশিবীরিবা, লৌরগে খন্না চঙলক্লিবা কোয়লা খনিগী থবক তৌবা, ক্রিসান্টোনা মচাদু য়াওরদি লৌশিনবা ঙল্লোই হায়রিবনি। মানা হায়রম্বদু মহাক কাউদ্রি :

- "প্লাসিদা, নুংশিবী নঙসে নচাসিদং য়াওরমদ্রদি অৱাবা হায়দু লৈরন্নরোইদবনি। মরমদি ঐগী য়ূমদা লৈদুনা, চানীংবা চাদুনা নুংঙাইনা লৈরন্নদৌনি। অদুম তৌরবদি নঙনা ঙসি কোয়চৎ চৎতুনা শূরিবসি, মীগী ফুদিৎ খপ্পুনা, শীং মৈখাক হিদুনা লৈরিবসি লৈরন্নরোইদবনি। অদুগা নচা অসিদি ঐ শুকপাম পামদে, হা: মসি মরূ ফৎত্রবা, মরূদা শোয়রক্লবা অঙাংনিনে। য়েংঙু, মাগী মীৎয়েং নায়েংসি, মাগী মশাসিদা অফবা মচেৎ অমা য়াওদে। তাইবঙ শেন্বা মপুনা খঙনি, ফত্তবা মচা, লাই ফত্তবগী মচা অসিগী ঐ শেল তিংবা পামদে। মহাক অসি অঙাংগী লোনচৎ চৎতে, অহল অমগুম তৌরি। অঙাং হায়বদুদি মী অমনা খনবগুম খল্লোইদবনি। মানা ঐঙোন্দা য়েংলিবসি অহল অমগী মীৎয়েংনি, অঙাংগী হকচাংদা লোৎপা। নঙনা অঙাংনেদনা থওইদনবা, অদুগা নঙোন্দদি চোংশিনবা ঙম্বা মীতানি। খুদম ওইনা, ঐনা মসিবু অহিংদা চীংগী লম্বীদা থেংনরবা ঐ লেপ্পল্লরোইদবনি। ঐনা হায়রিসি অচুম্বনি, লাই ফত্তবগী মচানিকো। ঐনা নঙ ওইরল্লবদি নহালনা…।"

প্লাসিদাগা ক্রাইসান্টোগা অসি য়ৌনা ৱারী শানরবনি। শারিবা মফম্না চপ ঙম্বা চীংদোন ময়াদুদা। অদুম্না ৱারী শানবদু হূইদু তাহৌবনি মতমদুদা। ঙসিনা হূইদু ফেলিপেগী নাক্তা কূন্দুনা লৈররে। হূইদুনা মাগী মপুদু মাঙখ্রবনা কোয়থি থিরকপদা থিবা য়াখৈ থিরকপদা মখোয়নীগী নাক্তা থুংলখিবনি। মখোয়নীনা ৱারী শারিঙৈদুদা মখোঙদা মনম নম্লখিবনি। অদুগা খোংবা হৌরকখিবনি। মদু থওইদনা প্লাসিদানা ক্রাইসান্টোগী পাউখুম পীরকখি :

- "ঐনা হাৎপনি হায়বা খঙনরক্লবদি।"

- "মীনা কৈসু খঙলোই। খ্বাইদগী লায়বা মওংদি মখোঙ অনী চৎপা ঙমদবা মাদি লোক্তা ইন্থখিবা…।"

প্লাসিদা ৱাফমসি নীংশিং নীংশিং ঙসি মচাগী অথীবা মশক্তু য়েংলি, তুক্কচবা অমা য়াওরকই। মাননিকো মাগী পুন্সি ৱারিবসি হায়না খল্লকখি। প্লাসিদা খল্লু খল্লুরগা ক্রাইসোন্টোনা হায়রম্বা কনানা খঙদৌরিবা হায়বদুদা নীংশিংলকখি।

অদুনা প্লাসিদা মাগী অকোয়বদু য়েংবা হৌরক্লে। পুমচিক চিকই, পূমহাঙ হাঙই। মাঙদা অশাংবা চীংশাং পরেংনা আ তম য়ৌবফাও শন্দোকখি নোংখোঙ তম্না তুমিন্না। আ মখাদদি, তামখ্রবদা, লৌশাঙ খরদি চাইনা লৈবা উরি। লৌবুক ময়ায়দা, মফম খরদনা মনা-মশিং থাবা অশংবা লম খরা খরসু উরি। পূন্নমক্তু আ তামখ্রবা মফমদনি, অদুনা মখোয়দুগী নাক্তা মী লৈরমগদবা নত্তে। মফম খরদনা য়ূমথক্তা মৈখু কারকপা উরি, অতিয়া তম্না কাখৎখ্রি।

অসুম্না অচিকপা অদুগী খুদোংচাবা উরুবদা মাগী খৌনাওদু ফুল্লকখি। অদুগী মথক্তা চীংদোন অদুগী মথক্তসু লৈচিন্না পূন্মম মমখ্রে। মুশুক মুবা লৈচিন মপৈনা কূপশিল্লক্লে, অদুনা লমহাঙদু ৱাউথাংনবা মচুনা মমি ওইনা তারক্লে। লাপ্না নোংখোঙ পরেংদনা নোং তারমদাই উৎমানবা মচুনা সুম নকশিল্লক্লি। লাপ্না নোং খোংবগী মখোল তারবনি। অফবা খুদম নৎত্রে, অকোয়বদু ফত্তবা থবক অমগী ঈঙ্গিৎ পীরক্লে।

প্লাসিদাগী ৱাখলদা মাঙ তাকপগী থিংবা ঙমদ্রবা ঈরৈ অমনা ফুজিল্লক্লে।

- "য়েংঙুনে, অঙাংসি লাই ফত্তবা অমা চঙলে হায়বদু শোয়ররোই। য়েংঙুনে, মানা ঐঙোন্দা য়েংলিবা মীৎয়েংসে, হা তাইবঙ শেন্বা মপু! মমিৎ অসি ক্রোক ক্রোক ওৎলিসি য়েংঙু। ময়া ক্রক ক্রক চিক্লিসি য়েংঙু। তাইবঙ শেন্বা মপুনা ঐখোয়বু কনবীরি ঙসিফাও। ফীভম অসিদা মানা হিংলুবগী কান্নবা করিনো। লায়নানা য়োল্লবা মহকচাংনি। মাগী চাকখাউনা চাজে হায়বদনি, তিল ময়াম্না মাবু হিংনা চারিবনি। অদুনা অরূম হৌরকপদা মানা নিক্লিবনি। অসুম্না সুম মানা মরৈরবদি ঐদা শিজখ্রগে…।"

তাঞ্জাদুদা হূইদুনা মঙোন্দা চাদৌগুম ঙংদুনা য়েংলকখি।

- "মসিগী হূই অসিনা কনাগী শায়োন্নোনে? হা তাইবঙ শেন্বা মপু! পুন্সিসিদা অঙক অঙকপা য়াম্না থোক্কদৌরিদা।"

অদুম তৌরিঙৈ ফেলিপেদু মাগী তল শরুক্তু চাবা লোইখ্রে। অদুনা মমারোমদা ওনশিন্দুনা অমুক হায়গৎলক্লে :

- "খরগা পীয়ু! ঐ চাক লাম্মী। ঐ চাক লাম্বনা শিদৌরে ইমা!"

মমানা মঙোন্দা অকিবা অমা য়াওনা য়েংলকখি। মাগী মমিৎ ঙৌরোক ঙৌনা ওনখৎতুনা য়েংলকপদু উবদা মমাদু কিরে। ফত্তবা লাই অমগী থৌইনশিন্নি খল্লক্লে। অঙাংদুনা তকশিল্লকইবা মওংদুগা প্লাসিদাদুনা খল্লিবা ফত্তবা ৱাখলদুগা মপা চানখ্রে। অদুনা মশা নিক্লা মখূৎনা পায়রিবা তল মচেৎতু অমুক লাক্তুনা লংশিনখি। হন্দক্তি তলদু চীংমায় নপ্লা হৌরিবা মোংশোং অদুগী মথক্তা তাখ্রে। নপ্তুনা হৌবনি, হেক শোয়বদা মরেপ ফংদ্রবা লোক্তা তাখিদৌরিবনি। পূমহাঙ হাঙবনি।

ফেলিপেদু লাম্বনা তলদু লৌনীংদুনা হৌগৎলকখি, মমিৎ অদুদি মমাদা ঈমুক ঙাঙনা শাউনা য়েংলম্মী। মহাক্লা মমানা খল্লিবা ফত্তবা ৱাখলদু উরে। মহাক্লা হেক তলদু লাম্বদা মাগী হকচাংগী অরূম্বনা শোয়দনা ওন্থখিনবা তৌরক্লিবনি। মীৎকুপ অদু য়ুগ অমা ওইবগুমখ্রে। প্লাসিদা মশাদু পূমঙাও ঙাওখ্রে। ফেলিপেসু ৱাখল চপ য়ুংখ্রে, মোংশোং অদোমদা খোঙ থাংবা হৌখ্রে।

খঙহৌদে, খুদক্তুদা হূইদু কদায়দগী কদোমদগী চোংশিনখিবনো খঙহৌদে, তলদুদা চোংশিনখ্রে। মোংশোং মথক্তুদা তাখ্রে। অমুক্তং হৌনা খোংলম্মী, হৌরিবা মোংশোং অদুনা মাগী অরূম্বদু পুবা ঙমদ্রে। অদুনা হূই অদু লোকচপ অদুদা ওন্থখ্রে, শ্রো শ্রো।

অকিবা নুমিদাং অমা ওনখ্রে। খঙহৌদনা নোংসু হৈথরক্লে। লৌবুক্তা। তম্পাক্কী শরুক্তু নোং খাকপগী মখোলনা ফালনা লৈমায়দা চিংবগা চপ মান্নখ্রে। লোক পূম্বা ঈচেল নাইরকপগী ৱা ৱা মখোলনা পূমনিল নিলখ্র। শাউরবা লিঙ্গাউগুম থেক্লা খোয়না চেন্থখ্রে। ঙাইহাক্তি হূইদু চৈনাখোল খাঙবগী খূৎখোংদু তারম্মী। চীংমায়দা নূংলক্তা ওন্থবগী, পনবগী মখোল মাল্লি। অদুবু মখোল অদুম তাখিদ্রে।

মমা-মচাগী খাংপোক অদুসু নোং য়ুথরক্লে। প্লাসিদাগা ফেলিপেগা লাপ্না হিপ্নরি। ৱা মচেৎ অমা ঙাঙনদে। অদুবু অমুক অমুক নোংথাঙনা ঙাল্লকপদদি প্লাসিদানা মচাগী অকিবা ফংলবা, অঙৌবা ঙাক্তা ঙায়রবা মমিৎ অদুনা মাবু খানা য়েংবদু উখি। মহাক কিরক্লে, অঙাংদুগী মবুক্তা ফত্তবা ৱাখল অমা লৈরে হায়বা খঙলে। কিবনসু লোইরে, লোয়নদবসু য়াদ্রি।

অদুগী মরক্তা, কিরিঙৈ অদুদা মচাদুনা ৱা ঙাঙলক্লে, মদু তাবদা প্লাসিদা থৱায় মপান থোকখিগে তৌখি।

- "ইমা! করিগীনো নঙনা নচা ঐবু শিহন্নিংলিবা?"

ইংরাজিদা : হার্ডি সেন্ট মার্টিন
মৈতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা
(ভেনেজ্বেলাগী ৱারীমচা)

# রাগ দরবারী-১২

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

(হান্নগী মখা…)

ওজা খন্না হিষ্টরিগী লেকচরনি। অদুবু হৌজিক্কী ওইনা ক্লাস ১২কী কাদা ইংলিস তাক্লম্মী। ওজা খন্না না ময়া শায়রদুনা হায়রম্মী, "হিন্দি দদি অচৌ-অচৌবা নুংশি-নুংঙোনগী ৱারিশিং ই অদুগা ইংলিসতা পাউখুম অমা পীবদদি শগোলগী মচীনগুম্না পন্দুনা লৈ।"

নুপামচা অমা ক্লাস অদুদা মকোক নোন্থরগা লেপ্তুনা লৈরম্মী। ঘী-শঙ্গোমকী অৱাৎপনা অমদি শান্ন খোৎনবগী চাং ৱাৎপনা অয়াম্বা মহৈরোয়শিং শগোল অশিবদৌনা লোয়না তৌই। অদুবু নুপামচা অদুগী মচীনগী মওং অদু হায়খিবা ৱাফম মহাক্কী মচীন্দা নপশিনখিবগুম তৌই। ক্লাসকী নুপামচা অমনা কন্না নোকখৎলকই। ওজা খন্না না ইংলিসতা হংলকই, "হায়য়ু, 'মেটাফর' গী ৱাহন্থোক করিনো?"

নুপামচা হান্নগুম অদুম লেপ্তুনা লৈপ্লম্মী। মতম খরগী মমাংদা লৈবাক অসিদা য়াম্না কন্না ঙাঙনখিবা লৈ মদুদি লাইরিক হৈতবা মী, মচী অমদি মমৈ য়াওদবা শানি হায়না। অদুম্না য়াম্না কন্না ঙাঙনখিবদগী লাইরিক হৈতবা খুঙ্গংগী মীওই কয়াগী মচা-মশুশিং লাঙ্গোন অমদি য়োমপাক থাদোক্তুনা স্কুলদা লানদারকপগুম য়াল্লবা লীশিংগী চাংদা লাক্তুনা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিশিংদা পীক থন্না থোমজিল্লকখি। এদুকেসনগী ফিল্ডদা য়াম্না চরাংনবা হায়বদু ওইখি। হৌজিক্তি কনাগুম্বা অমনা লাইরিক হৈতবা মী শাগা চপ মান্নৈ হায়না ঙাঙনবা অমদি শন্দোকপা উদ্রে। মদুগী মহুত্তা তপ্লা হায়নরক্লি মদুদি অৱাংবা মহৈ এদুকেসন শুপ্নগী মহৈ তম্নবগী মতিক চাবা মীওই খক্তনা তমগদবনি। মসিগীদমক 'স্ক্রিনিং' তৌবা মথৌ তাই। অসুম্না নাকোয়ননা পুথোক্তুনা খুঙ্গংগী অঙাংশিংবু অমুক হন্না মখুৎতা লাঙ্গোন পায়হন্দুনা লৌবুক্তা থবক তৌহন্নবগী ৱাখলোল পীনরি। অদুবু চহী খুদিং ফেল চত্তুনা, ক্লাসকী মখল-মখা কয়াগী ঙাঙবি-শকপিবা খাংলদুনা অমসুং লৌ উনবগীদমক মীনুংশিং য়াওদনা পোলিটিসিয়নশিংনা ঙাঙবা ৱাঙাঙ তারগসু অঙাংশিং অদু লাঙ্গোন অমদি য়োমপাক পাইদুনা লৌউবগী লম্বী অদুদা চৎনিংবা ফাওদ্রে। মখোয় নাচনগী মতৌগুম স্কুলদা নপশিন্দুনা লৈখ্রে অমসুং ফনা ৱারবসু মখোয়না মফমদুদা নপ্তুনা অদুম লৈবা পাল্লম্মী।

শগোল মমায় মানবা অঙাং অদুসু হায়রিবা মহৈরোয়শিং অদুগী মরকশিংদগী মহাকসু অমনি; ক্লাসতা মঙোন্দা নাকোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী হায়রম্মী মদুদি ইবুংঙো, য়ুমদা চৎতুনা ইরোইগী শঙ্গোম শুমু অমসুং ষণশিংগী মমৈ নালুচো; বোই কোলোম পায়দুনা লাইরিক তম্বা নঙগী থবক নত্তে। অদুবু অঙাং অদু মহাক্কী মপাদগী সেনচুরি কয়াগী মাং থাদুনা শিংলবনি অমসুং অদুগুম্বা মওং-মতৌ খঙলবসু মহাক্লা খঙজিনবা পাল্লমদে। অঙাং অদুগী মপা মহাক্কী ষণশিংবু ঙসিসু ১২ সুবা সেনচুরি মতমগী অরিবা মওংদা য়োকলি। মতম অদুদা নুপামচা অদুনা মোৎলবা লাইরিক অমদা শগোল মানবা মমায় লোৎলদুনা ২০ সুবা সেনচুরিগী কোলকাটাগী তোঙান-তোঙানবা মচু কয়ানা পিক থল্লবা নুমিদাংগী ৱাখল খন্দুনা লৈ। হৌজিক ওইরিবা ফীবম অদুদা করিগুম্বা অমত্তা অহোংবা লাকপা পাল্লমদে। মরম অদুনা মহাক্লা মেটাফরগী ৱাহন্থোক হায়বা ঙমদ্রিবনি অমসুং মহাক্কী শগোল মমায় মানবা মমায়গী মরমদা মরৈ য়েৎনবসু পাল্লমদে।

কোলেজ অসিগী মহৈরোয় খুদিংমক্কী মফি-মরোল নাতৈ চাদবগুম নুপামচা অদুগীসু নাতৈ চারমদে। হৌজিক-হৌজকমক মখোংদা করিমত্তা তোংলমদে, শাংনা-শাংনা চিংবা ফি অমগী অমোৎপা পায়জমান অমা শেৎতুনা লেপ্লম্মী। মদু সিটিগী মীশিংনা স্লিপিং সুটকুম ওইনা শিজিন্নরমগনি। মহাক কথা মচুগী অথাবা ফুরিৎ অমা লিৎলম্মী। ফুরিৎ অদুগী কুদাম তৎলম্মী। মকোকতা ইকং কংবা অমসুং চপ-চপ য়ুংবা মশম হৌরম্মী। মায় তাদ্রবা অমোৎপা মমায়নি অমসুং মহাক্কী মমিৎ কুৎশিল্লম্মী। মাবু হেক য়েংবদা করিগুম্বা প্রোপেগন্দা অমগী লাংদা থুরদুনা কোলেজগী মায়কৈরোমদা চেল্লকপা মাল্লি।

নুপামচা অদুনা মমাং চহীদা অহোংবা মেগজিন অমদগী নুংশিং-নুংঙোলগী ৱারি অমা নোট তৌদুনা মাগী মমিংদা কোলেজ অদুগী মেগজিনদা ফোংহনখি। ওজা খন্না না মহাক্কী অদুগুম্লবা মমিং চৎলবা থৌওং অদুদা হুল্লদুনা ঙাঙলম্মী। মহাক্লা মখোল হোংলদুনা হায়, "ৱারি ইবা ইবুংঙো, করিগুম্বা খরদি হায়ুদনা, মেটাফোর হায়বসি করিনো?"

নুপামচা অদুনা ফৈগন হোৎপা হৌরকই। মমাই কয়ারক লৈথোক-লৈশিন তৌরবা তুং কোন্না হায়রকই, "মহাদেবীগী শৈরেংদা কায়নবগী মতাংদা মেটাফোর লাকই…।"

ওজা খন্নানা খোঞ্জেল হৌনা লাউরকই, "শট-অপ! মসি ইংলিসকী ক্লাসনি।" নুপামচা অদু ফৈগন হোৎলম্বা লেপখি।

মহাক খাকিগী খোঙ্গ্রাউ অমসুং শংবান্নবা মচুগী ফুরিৎ অমা লিৎলি অমদি মীৎ ইংনা ফজনা উননবগীদমক অমুবা অনোপ অমসু উপ্পী। ফল্লম্বা চৌক্রি অদুদগী থোরক্তুনা মহাক টেবলগী মনাক্তা লাক্লম্মী। মহাক্কী খুনিংগী শরুক অমা টেবল অদুগী মথক্তা ঙাথদুনা থম্মী। নুপামচা অদুনা করিগুম্বা অমা হায়গে তৌরিঙৈ চৈরক্তা মহাক্লা মনিং থংবা থোংদা ওজা প্রিন্সিপালনা লুমদুনা মূন্না য়েংদুনা লৈরম্বা অদু উরকই। মহাক্লা স্কুলগী মাঙ্গোনদা ক্লর্ক অদুগী লেংবান মপাদা লেপ্তুনা লৈবা অদু উরকই।

মহাক টেবলগী মতেংনা লেপ্তুনা লৈরম্বা অদু শৎ লাউনা লেপখৎলকই অদুগা হায়রকই, "ওজা, শেলীগী শৈরেং অমা তাক্লম্বনি।"

প্রিন্সিপাল অদুনা ৱাহৈ অমগা ৱাহৈ অমগা লোনশিন্নরগা য়াম্না থুনা হায়রকই, "অদুবু অদোমগী ৱা কনানা তারিবগে? মখোয়দি ফোটো য়েংদুনা লৈরে।"

মহাক কা অদুগী মনুংদা চংলকই। নুপামচা অনীগী লেংবানদা মহাক্লা খুজিন্না থংনা-থংনানা শিকই। মখোয় হৌগৎলক্তুনা লেপখৎলি। অমনা অমোৎপা পায়জমে, বুসশর্ট অমসুং শমদা থাউনা মচুম তাগৈ চোৎলবা নুপামচানি; অনিসুবা অদুনা শম কয়া হৌদবা, ফুরিৎ অমসুং অন্দরৱেয়র শেৎপা মুক্লা শান্নবা নুপামচাগুম তৌই। ওজা প্রিন্সিপালনা মঙোন্দা হায়রকই, "মসিরা তাক্লমলিসে?"

মহাক্লা নোন্থদুনা অহানবা নুপামচা অদুগী চৌক্রি মখাদগী মেগজিন অমা খুনগৎলি। মেগজিন অদু সিনেমা লিটিরেচরগী ওইরম্মী। চেনা অমা হাংদোক্তুনা থাঙ্গৎলদুনা মহাক্লা কোয়রৈ লৈদুনা উৎলম্মী। নুপামচাশিং অদুনা উরম্মী, মদুদি ফোরেনর নুপী অমগী ফি শেৎপোয়-শেৎতবোয় তৌবা ফোটোনি। মহাক্লা মেগজিন অদু লৈবাক্তা লংথোক্তুনা অৱধী লোলদা লাউরদুনা হায়রকই, "মসিরা নখোয়না তল্লিসে?"

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।